## ইরাবন্তগী মরী মখোং খঙহন্দবা

# সরকারনা খোঙ্গ্রাই নিক্লগা লৈবা

নোংদম মনিং লৈকাইদগী ইরুংবম ইরাবন্ত কৌবা মীওই অমা হৌখিবা মে ২৭ দা উখ্রুলদা চৎখিবদগী ঙসি ফাওবা থিফম খঙদনা লৈরকখিবগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা ষ্টেট গভর্নমেন্ট অমসুং মরী লৈনবশিংনা করিগুম্বা মরী মখোং অমত্তা খঙদনা লৈরিবসি সরকার অমা লৈবগী খুদমনি হায়না লৌবা য়ারোই। ওইরক্লিবা ফিভমশিং অসি কুপ্না য়েংবা মতমদা ষ্টেট অসিদা গুদ গভর্নান্স অমা লৈত্রে হায়বদুদি শেংনা তাকই। হৌখিবা চহী কয়াগী মমাংদগী হৌনা মশক খঙদবা মীওইশিংনা ফাখিবা মীওই কয়া মখোয়গী লৈফম খঙদনা লাকখিবা অমসুং মীওই কয়া অমা মফম খঙদনা হাৎতোক্লম্বগী পাউ ঐখোয়না তানরি। ষ্টেট অসিদা অফবা সরকার অমা লৈরম্বা তারগদি অসিগুম্বা মরম চাদবা এক্সিদেন্টশিং অসি থোক্লমদবা য়াই। ইরাবন্ত মফম খঙদনা মাংখিবগী মতাংদা ইমুং-মনুং অমসুং মীয়াম্না চিংনরিবদি, মহাকপু এনএসসিএন (আইএম)গী কাংবুনা ফারগা মাংহনখিবনি হায়বসিনি। ইরাবন্তবু ফাই হায়রিবা কাংবুশিং অদু ভারত সরকারগা হৌজিক হৌজিক নোংমৈ কাপ্নবগী চুক্তি সহি তৌনবগা লোয়ননা শান্তিগী ৱারীসু চত্থরিবনি। এনএসসিএন (আইএম)না মী ফাবা অমসুং হাৎপগী থবক তৌরকপসি অদুক্কী মতিক কুইরক্লে। মখোয়গী মখুৎতা মণিপুরগী মশিং য়াম্লবা মীয়াম কয়া অমা মথ্বাই মাংখ্রে। শান্তিগী ৱারী শান্নরিবা অদুগুম্বা গ্রুপ অমনা চত্থরকপা এন্টি পিপল অমদি এন্টি নেসনেল ওইবা থবকশিংদা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা খুৎ থিংজিনবা ঙমদ্রিবসি করিগীনো হায়বা অচৌবা ৱাহং অমা লাকই। অদুগুম্বা লুপ অদুগী হোম মিনিষ্টর ষ্টেট কম্মান্দো ফোর্সশিংনা ফাবা মতমদদি খুদক্তা থাদোক্কদবনি হায়দুনা সেন্টরগী অকনবা ইন্সত্রক্সন পীরকপা মতমদা মণিপুর গভর্নমেন্টনা আই এম গী হোম মিনিষ্টরদু করম্বা মফম ফাওবা থিন্দোক্লুবগে হায়বদু মীয়াম্না খঙনরি। মসিদা নত্তনা পলেলদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা আইআরবি গী কাংবুনা আইএম গী কাদরশিং হাৎলবা মতুংদা য়াম্লবা খুৎলায়শিং ফংখিবদা সেন্টরগী ইন্সত্রক্সন মতুংইন্না আইএম গী খুৎলায়শিং হন্দোকখিবগী ৱাফম মীয়াম্না অদুম খঙনরিবসিনি।

মতাংসিদা লাক্লিবা ৱাহংদি, ষ্টেট গভর্নমেন্টনা করিগীদমক্তা মহাক্কী জুরিসদিক্সন মনুংদা মনিং তম্না লৈঙাক-শাসন তৌবা ঙমদ্রিবনো? লৈবাক্কী নীংতম্বদা শিংনরকপা, মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন-থুমদা শিংনরকপা মতমদা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লৈবাক অসিগী লৈজরিবা আইন মপুং ফানা শীজিন্নদুনা মপাঙ্গল মথৌনা লৈনা থবক তৌবা ঙমদ্রিবসি করিগীনো? এনএসসিএন (আইএম) অমসুং মহাক্কী চৎমিন্নরিবা খোঙলোই হায়বদি, ওর্গনাইজেসনশিংনা লৈবাক অসিদা তৌনিংবা থবক তৌবা মতমদা ভারত সরকার অমসুং মণিপুর সরকারনা অদুক্কী মতিক কিরিবসি করিগীনো? ইরাবন্তবু মফম খঙহন্দনা ফারগা মাংহনখিবগী মতাংদা মণিপুর সরকারনা ইন্টরেষ্ট ইরৌ লৌদবগী ৱাফমসিসু অমা ওইরগা মণিপুরগী লাইফ লাইন ওইরিবা নেসনেল হায়ৱেশিংদা আইএম অমসুং মখোয়গা চৎমিন্নরিবা কাংবুশিংনা ঙাইহাক লৈতনা ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌরকপা অমদি লম্বী থিংবনচিংবা থবক কয়া তৌরকপদা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ঙসি ফাওবদা তুমিন্না অদুমক য়েংলগা লৈরি। হৌজিক লৈরিবা সরকার অসিগী শাসনদি ইম্ফালগী শরুক খরখক্তনি হায়বদা করিসু অকায়বা লৈত্রে। ইম্ফাল মনুংদনা মখুৎ হনবা ঙম্লরোইদবা, মপাঙ্গল শোল্লবী, ইমা-ইবেল খরনা ধরনা চত্থবা, রেল্লি চৎপদা সরকার অসিনা কম্মান্দো ময়াম থাজিন্দুনা ফুব্বী-চৈবিবা, টিয়ার গ্যাস কাপশিনবীবা অমসুং মোগ বোম কাপশিনবা ঙম্মী। অদুগা চীংদনা হুরানবা, তাকু-তাকাতিশিংনা তৌনিংবতা তৌবদা সরকার অসিনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লি। শম্না হায়রবদা, লৈরিবা সরকার অসিনা মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন-থুম ঙাকপা ঙমদ্রে। লৈবাক্কী অপুনবগী শক্তম শিংনরকপা মতমদা য়েংদুনা লৈথোক্লে। আইন থুগায়দুনা লৈবাক্কী নীংতম্বদা শিংনরক্লিবা খুদিংমক আইনগী মতুংইন্না চৈরাক পীবগী থবক সরকার অসিনা চত্থদ্রে। শম্না হায়রবদা পীকখ্রবা মণিপুর অসিদা আইন লৈতবগা চপ মান্নরে। লো লেস ওইরবা ষ্টেট অসিদা গেঙ অমসুং মফিয়াশিংনা লৈঙাকপগা চপ মান্নরে। মখোয়না তৌনিং-তৌনিংবা থবক তৌবা মতমদা মনিং তম্লে। পংজরবা, উপাই লৈজদ্রবা মণিপুরগী মীয়ামদি মচিন থোক্না ৱা ঙাংবা ঙমজদ্রে। শকখঙদবশিংনা মী ফাখিবদা পুলিস ষ্টেসনদা রিপোর্ট তৌবা ফাওবা ঙমজদ্রে। কিদনেপ্পরশিংগী রেন্সম তানফম হৌজিক মণিপুর ওইরে। ওইরিবা ফিভমসিদা মণিপুরগী মীয়াম ইংনা চিক্না, নে-না তানা লৈবা পুন্সি ওইবা ঙমদৌরিব্রা? অসিগুম্বা লৈঙাক অসিনা ষ্টেটসিদা মখা তানা লৈথরকপা তারগদি মীকপ মীরাওখোলতনা থল্লবা মণিপুর হায়বদু ওইগদৌরি। মরম অদুনা ইংনা তপ্না চিক্না লৈজবা পান্বা মণিপুরগীদমক্তা য়েংলগা তঙাইফদনা ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্ট রুল ইম্পোস তৌরকপা চুম্লে।